# HUEIYEN LANPAO

# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses


হাওবম মরক ইরোম লৈকাইদা লৈবা নহারোল য়াইফ লমজিংকোল শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা কংলৈ শক্তম লাংবা কাঙলূপকী ৪৮শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম




লামায় ৩

তরেৎশুবা য়ু জি সী পে অমসুং রেগ্যুলেসন্স ২০১৮গী ওর্দর দিমান্দ তৌরদুনা ফেগোক্তাগী থৌমীশিংনা অমুবা বেজ থেৎতুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা




লামায় ৩

ঐচ এস ঈ ২০২০গী ৱাৎহৌরিবা সবজেক্টশিংগী এগজাম লাক্লিবা জুলাই ৬ অমসুং ৭তা পাঙথোক্লনবা শেম শাবা লোইরে হায়না কোসেমগী ওফিসলশিংনা লাউথোকখিবা



লামায় ১

বন মহোৎসব ২০২০গী শরুক অমা ওইনা চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজননা শীন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লমফৌপাম্না ভিলেজদা উ চারাশিং থাখিবা



Vol. 44, Issue No.100 | নোংমাইজিং, ইঙেনগী থানিল | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, July 05, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## দ্রগ লল্লোনবা মীওই অনী ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪: নার্কোটিক এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর (নাব)না চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবদা চুরচান্দপুরগী টুইবোং কৈথেলদা থিব-হুন্বা চত্থবদা মীওই ২ হিরোইন পাউদর গ্রাম ৩৭৫গা কোন্ননা ফারে হায়রি। নাবনা দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদুদি চুরাচান্দপুরগী হেংলেপ খুলদগী লিনখোনি হাওকিপ (৪৯) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা থাংজাং হাওকিপ অমদি চুরাচান্দ-পুরগী টুইবোং খুলদগী লমথাং বাইফৈ এলিয়াস (থাংবোই) (৩৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা পাওচা বাইফৈনি হায়রি।

## ৱিন চুরূট পেকেট ৫৫,৫০০ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা হৌজিক ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর সিল তৌদুনা লোকদাউন তৌরিঙৈ মনুংদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা লোগী ৱাংমদা পুরকপা মপান লৈবাক্না শাবা ৱিন চুরূট পেকেট ৫৫,৫০০ অমদি গোদজিল্লা পেকেট ৯২০গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

হেদ কার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মখাদা লৈবা অসাম রাইফলসকী ক্রুপ অমনা ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোলতুক এরিয়াদগী চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী ৱিন চুরূট পেকেট ১৬,০০০ ফাগৎপা ঙমখি। মখা তানা অমুক এ আরগী ক্রুপ অসিনা মচি এরিয়াদগী গাড়ী অমদা পুরকপা ৱিন চুরূট পেকেট ২,৫০০ ফারগা মচি পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসকী ক্রুপশিংনা ঙরাং মচি এরিয়াদা টাটা ৪০৭, বোলেরো অমদি বর্মিজগী বাইক অমা য়াওনা মীওই ৪ ৱিন

...মখা লামায় ৩ কলম ১

### নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সীগী বি জে পিগী এক্স-এম এল এ সুভাসচন্দ্র হায় কোর্ট য়ৌরক্লে

# কোংগ্রেসনা ফোর্স তৌদুনা রিজিগনেসন লেট্টর ইহনখিবনি হায়দুনা এসেমব্লিনা পীখিবা অয়াবা চৎনহনবীগনু হায়জরক্লে

মাইবম ধনবির

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা ২১ - নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সীগী বি জে পিগী টিকেটতা কারক্লগা হন্দক্তা রিজাইন তৌখিবা এক্স-এম এল এ সোইবম সুভাসচন্দ্রনা মহাক মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর (এম এল এ) ওইবদগী রিজাইন তৌরে হায়দুনা ইখিবা রিজিগনেসন লেট্টর অদু কোংগ্রেসনা নম্ফুদা ফোর্স তৌদুনা ইহনখিবনি অমসুং মদু স্পিকরদা পীশিনবদা মহাক খঙহৌদ্রে হায়রদুনা রিজিগনেসন লেট্টর অদুবু অয়াবা পীখিবা এসেমব্লিগী বুল্লেটিন অদু ক্বাশ তৌদুনা চৎনহনবীগনু হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা সিভিল রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌরক্লে।

এক্স-এম এল এ সোইবম সুভাসচন্দ্র (৫৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস তোম্বা, নিংঙোম্বমময়াই লৈকাইদা লৈবনা সিভিল রিট পিটিসন অসি ঙসি (জুলাই ৪, ২০২০) হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকপনি। মহাক্কী দব্লিয়ু পি (সী) অসিগী নম্বর- ৩৩৪ ওফ ২০২০নি। মহাক্না ঙসি অচুম্বগীদমক্কি হায়দুনা হায় কোর্টকী থোঙজিন্দা লেপ্পদ্রিঙৈগী মমাং ঙরাং (জুলাই ৩,



২০২০) দনা মহাক্না মতৌ করম্না মহাক্কী রিজিগনেসন লেট্টর ইখিবা, কনা-কনানা মহাক খঙহল্লমদনা মসিবু এসেমব্লি সেক্রেটেরিএটতা পীশিনখিবনো হায়বগী শুগাইবা ৱারোল য়াওবা 'রিপ্রজেন্টেসন' অমা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরদা পীশিনখি।

এক্স-এম এল এ অসিগী মায়কৈদগী ঙরাং এসেমব্লিদা থৌদোক্তুগী মতাংদা রিপ্রজেন্টেসন অমা ফোর্মেল ওইনা পীশিনখ্রে হায়বগী পাউদগী পাউচে অসিনা মসিগী খোঙ্গুল ইন্নরকপদা ঙসি হায় কোর্টতা পিটিসন অসি ফাইল তৌরকপা থেংনরকপনি।

মহাক্কী পিটিসন অসিনা ওফিসল রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লক্লিবশিংনা মণিপুর লেজিস-লেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরি অমসুং স্পিকরনি। অদুগা পিটিসন অসিগী প্রোফোর্মা রেস্পোন্দেন্টনা এক্স-এম এল এ মশাগী দ্রাইভর হৈস্নাম ইঙোবা (৩৬), অপোকপা ঐচ মংলেম, হিয়াংথাং মনিং লৈকাইনি। এক্স-এম এল এগী রিজিগনেসন লেট্টর অদু মহাক্না কোংগ্রেস এম এল এশিংগা লোয়ননা এসেমব্লি সেক্রেটরিএটকী ওফিসলশিংদা পীশিল্লুবগীদমক মহাকসু পিটিসন অসিদা প্রোফোর্মা রেস্পোন্দেন্ট অমা ওইনা কোনশিল্লকখিবনি। অদুবু এক্স-এম এল এগী পর্সনেল দ্রাইভর অসিনা থা অসিগী ২দা ওথ-কম্মিস্নর (জুদিসল) ইম্ফাল ইষ্টকী মমাংদা পীবা এফিদেবিট অমদনা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

# মণিপুরগী রেভিন্যু ভিলেজশিংগী লিষ্ট পীরক্লবা দিলিমিটেসন কম্মিসন্না খঙহল্লকখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): দিলিমিটেসন কম্মিসন্না কুমজা ২০০১ গী সেন্সস দেতাদা য়ুম্ফম ওইরগা ষ্টেট অসিগী পার্লিমেন্টরি অমসুং এসেমব্লি কন্সটিট্যুসনশিং দিলিমিটেসন তৌনবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংগা মরী লৈননা লৈঙাক্না শকখঙলবা মণিপুরগী রেভিন্যু ভিলেজশিংগী লিষ্ট অমা জুলাই ৭কী মমাংদা পীখৎলক্নবা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর মণিপুরগী ওফিসতা খঙহল্লকখ্রে।

কম্মিসন্না খঙহল্লকখিবা ৱাফম অসিগী মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, চান্দেল, চুড়াচান্দপুর, জিরিবাম, ককচিং, কামজোং, কাংপোকপী, নোনে, ফেরজোল, সেনাপতি, তমেংলোং, টেংনৌপল, থৌবাল অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিসনরশিংদা জোইন্ট চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসর রমানন্দ নোংমৈকাপমনা থাখিবা চেরোল অমনা হায়খি, দিলিমিটেসনগী থৌরাং অসিগী মনুং চন্না কুমজা ২০০১ গী সেন্সসতা য়ুম্ফম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট, সব-দিভিজন, ব্লোক, গ্রাম পঞ্চায়ট, ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন/কাউন্সিল অমসুং ভিলেজ খুদিংমক্কী মওং-মতৌ অসি শেমদোক-শেমজিন তৌগনি। মরম অসিনা মরী লৈনবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংনা মাগী-মাগী জুরিসদিক্সনশিংগী মনুং চন্না লৈবা শকখঙলবা রেভিন্যু ভিলেজশিংগী লিষ্ট অমা থেংলবদা জুলাই ৭ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্কদবনি। হায়রিবা লিষ্ট অদুগী সোফ্ট কোপীসু ওফিস অসিদা ঈ-মেলগী খূত্থাংদা থারকপসু য়াগনি হায়রি।

# জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পূম্বদা কমপ্লিট লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু থমখ্রে

### এক্টিভ কেস মশীংদগী ফগৎলকপা কেস মশীংনা হেনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এ এস আই অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা মতুংদা ঙরাং অতোপ্পা পুলিস পর্সনেল ২৬ য়াওনা পূন্না মীওই ২৮ পোজিটিভ ওইবা থেংনবদগী জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পূম্বদা কমপ্লিট লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু থমখ্রে।

ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ



কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবুনা ঙসি থোকখিবা হোম দিপার্টমেন্টকী ওর্দর অমগী মতুংইন্না জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পূম্বদা কমপ্লিট লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু থল্লে হায়না লাউথোকখিবনি। ওর্দর অসিগী মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা নৎত্রগা জুলাই ১৫ ফাওবদা হান্না থোকপা ওর্দর অসি চৎনগনি। কর্ফিয়ু মনুংদা জিরিবামগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা অয়াবা পীরবা ইসেন্সিএল সর্ভিসকী পর্সনেলশিং খক্তমক কর্ফিয়ু অসিদগী কোমথোক্কনি। পোৎ-চৈ পুবা ইন্টর ষ্টেট ভেহিকলশিং খক জিরিবাম গেট লানবা য়াগনি। জুলাই ৫গী অহিং নোংয়াই মতুংদা গাড়ীদা লাকপা পেসেঞ্জরশিং চৎপগী অয়াবা পীরোই অমদি মীওইশিং অদু জিরিবামগী ইন্সটিট্যুসনেল ক্বারন্টিন সেন্টরদা থমগনি হায়নসু ওর্দর অদুদা পল্লি।

অমরোমদা, মণিপুরদা অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯গী এক্টিভ কেস মশীংদগী লায়না অসি নারুবদগী ফগৎলকপা কেস মশীংনা হেনখ্রে।

মখা লামায় ৩ কলম ৭

## স্পিকর অমসুং স্পিকর ট্রাইব্যুনেলগা মরী লৈনবা কেসশিং দিভিজন বেঞ্চতা লিষ্ট তৌরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল এ গুনেশ্বরনা ঙসি থোকখিবা কোর্ট অসিগী নোটিফিকেসন নম্বর- ৬৯দা চীফ জষ্টিসকী ওর্দর মতুংইন্না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর অমসুং স্পিকর ট্রাইব্যুনেলগা মরী লৈনবা পনদুনা লৈরকপশিং য়াওনা পিটিসনশিং দিভিজন বেঞ্চতা লিষ্ট তৌরগনি হায়রি।

মখা লামায় ৩ কলম ৫

# মহৈরোয়শিং মনাক নকপা সেন্টরশিংদা এগজাম থাহন্নবগী থৌরাং লৌখৎলে : কোসেম

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লাইচৎ লাকশিন্নবা লোকদাউন চত্থখিবনা মরম ওইরগা য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন (ঐচ এস ঈ) ২০২০গী ৱাৎহৌরিবা সবজেক্টশিংগী এগজাম লাক্লিবা জুলাই ৬ অমসুং ৭তা পাঙথোক্লনবা শেম শাবা লোইরে। লোয়ননা মহৈরোয়শিংনা মনাক-নকপা সেন্টরশিংদা এগজাম থাহন্নবগী থৌরাং তৌরে হায়না কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম)গী চ্যেরমেন ডা. লমাবম মহেন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

কোসেমগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা ডা. লমাবম মহেন্দ্রনা হায়খি, কোসেমনা পাঙথোকপা ঐচ এস ঈ, ২০২০ অসি কোভিদ-১৯ পেন্দেমিককী লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা অচৌবা চৈথেং অমা পীররে। হৌখিবা মার্চ ২০ অমসুং ২৩দা পাঙথোক্কদবা এগজামশিংসু য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি। অদুবু ৱাৎহৌরিবা সবজেক্টশিংগী এগজামশিং মপূং ফানা পাঙথোক্তুনা অমদি রিজল্ট লাউথোক্তবনা মহৈরোয় অমদি মমা-মপা ওইবশিংদা ফাওরিবা চরাংনবা, ৱাখল লৈতাদবা পূম্নমক কোকহনবা হায়বসি কোসেমগী মাঙদা তারিবা মরুওইবা থৌদাং অমনি। অমরোমদা য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না জে ঈ ঈ (জি) এগজা-মিনেসন ২০২০ সেপ্টেম্বর ১দগী ৬ ফাওবা অদুগা জে ঈ ঈ (জি) এদভান্স এগজামিনেসনন্না সেপ্টেম্বর ২৭তা অমসুং এন ঈ ঈ টি (নীট) এগজামিনেসন ২০২০না সেপ্টেম্বর ১৩দা পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা এগ-জামশিং অসিগীদমক কাউন্সিলগী মখাদা চঠীসিগী ঐচ এস ঈ এগজাম মায়োক্নরিবা মহৈরোয়শিংনা য়াম্না পূক্নিং লৈতানা হোৎনবা ঙমজননবা কাউন্সিলগী এগজাম অসি মাঙজৌ-ননা হায়দোকপা তঙাইফদে। মরম অদুনা লেমহৌরিবা সবজেক্টশিংগী এগজাম লাক্লিবা জুলাই ৬ অমসুং ৭তা শুংশোয় শোয়দনা পাঙথোক্লগা মথংগী নুমীৎতগী এভাল্যুএসন হৌদুনা অথুবা মতমদা রিজল্ট লাউথোক্লবসু শেম শাবা লোইরে।

এগজাম অসি জুলাই ৬তনা সেন্টর ৫১দা মহৈরোয় ৩৬১৮ অমসুং জুলাই ৭তনা সেন্টর ২৪দা মহৈরোয় ৫৪৭না মায়োক্লগনি।

মখা লামায় ৩ কলম ৫

# খুমন লম্পাক্কী মায়োক্লবদা লৈরিবা আই এস বি টি ময়াগী লম্বী জিরি লম্বীদগী হেন্না শাথিরে

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): পোৎ পুবা মশীং য়াম্লবা ট্রক কয়ানা চৎথোক চৎশিন তৌবদগী খুমন লম্পাক্কা মায়োক্লবদা লৈরিবা ইন্টর ষ্টেট বস টরমিনস (আই এস বি টি)গী মমাংথংবা লম্বীগী শরুক জিরি লম্বীদগী হেন্না শাথিনা শোক্লে। দিঙ্কু রোদ হায়রগসু খঙনরবা লম্বী অসিগী মতাইদা লৈরিবা আই এস বি টিগী গেট মমাংদগীনা চিংমৈরোং চুথেক ফাওবগী লম্বীসু লৈখোম-লৈনাং থোকপনা মরম ওইদুনা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংদা চাউনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে।

আই এস বি টিগী গেট ময়াদা লম্বীগী মতাইদা দুকান ফম্লিবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না হৌখিবা থা খরগী মমাংদদি লম্বী অসিগী ফীভম অদুমক ফনা লৈরম্মী। অদুবু ট্রকশিংনা আই এস বি টিদা চঙথোক চঙশিন তৌবা হৌরকপদগী লম্বী অসিগী ফীভম কা হেন্না শোকচিল্লকখিবনি। নোং চুবা মতমদদি মীয়াম্না লম্বী অসিদা চৎপা ঙম্নদ্রে। লম্বী অসিগী ফীভম মতৌ অসুম্না লৈরগদি চৎথোক চৎশিন তৌবদা এক্সিদেন্ট থোকপা য়াবগী অকিবসু পোকহল্লে। লোয়ননা আই এস বি টিগী চঙফম ওইরিবা মরুওইবা গেটকী লম্বী অনীমক্কী ফীভম কা হেন্না শোকপনা ট্রক চঙবদা খুদোংচাদবা কয়া ময়োক্লরে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

লম্বী চৎলম্বা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবদা মীয়াম্না য়াম্না তোয়না হায়নবা জিরিগী লম্বী ফত্রে হায়বদুগা দিঙ্কু রোদকী লম্বীগা খেন্নবা করিসু লৈত্রে। নোং চুবা মতমদা অচৌবা গাড়ি নত্তনা গাড়ি মচা চৎপদা ৱানা থোক্লে। নোং চুদবা মতমদনা উফুলনা লম্বী চৎপা ঙমদ্রে। মরম অদুনা লম্বীগী মপু ওইরিবা পব্লিক ৱর্ক্স দিপার্টমেন্টনসু



...মখা লামায় ৩ কলম ৬


## HL Poll

Q: Indo-Myanmar Border thinglabasu numit khudinggi narolda Myanmar romdagi potlam kaya pushillakpa gang khutpu leire khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ____ No ____

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Quarantine centresingda chak-ensang yenba meeoi-singgi marakta COVID-19 positive oiraklibasi aware-ness watpadagini khanbra?

Yes 78% No 22%



### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৫.৩১ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৯.০৮ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১.৫৩ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৮

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অস! লোইরেহে!

- ইবুংঙো চাক চারসি লাক্লো য়াহৌ খূৎথেংদুগা শাজেলনা কান্নরোই...!



- সিফাই লৌরকপা য়ারি হকচাং ফহন্দবা য়াদে, বাজি...!

# অঙাং ফাবদা চেন্নবনি হায়বা নন-লোকল ২ নুমীৎ ৫নি পুলিস রিমান্দ লৌথখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা রেংকাইদা লৈবা চহী ১৩দা ঙাইরিবা নুপামচা অমা ফাবদা চেন্নবনি হায়দুনা চুড়াচান্দপুর পুলিসনা ফারবা নন-লোকল অনী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেটকী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং নুমীৎ মঙানিগী পুলিস রিমান্দ লৌথখ্রে হায়রি।

পুলিস রিমান্দ লৌথখ্রবা মীওই অনী অদুদি, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সেরৌ পার্ট থ্রীদগী লাক্লগা হৌজিক্লা নাগামপালদা লৈবা প্রকাশ দেব (২৭), অপোকপা বোনো দেব অমদি বিহারগী দুর্গাদি খুনদগী লাক্লগা হৌজিক্লা ইম্ফালগী ন্যু নম্বুলেন্দদা লৈবা বাপু কুমার (৩৫), অপোকপা মঙ্গল প্রসাদনি।

পনবা য়াবদি, ঙরাংগী থৌদোক অদুদা চহী ১৩ দা ঙাইরিবা নুপামচা অদু শকখঙদবা মীওই অনী অদুনা

...মখা লামায় ৩ কলম ১

# চীফ মিনিষ্টরনা ৱেব পোর্টেল লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা ৱারীশিং শ্যের তৌবগা লোয়ননা হীরমসিদা কত্থোকপগা লোয়ননা থবক তৌরিবশিংগী খোঙ্গুল লীনবগী পান্দমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি manipurcovidstories.org. কৌবা ৱেব পোর্টেল অমা লোঞ্চ তৌখ্রে।

পোর্টেল অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফগৎলক্লবশিং, ক্বারন্টিন সেন্টরদা মথৌ তৌরিবা ভোলন্টিয়রশিং, লোয়ননা লন্নাই মীওই, এন জি ও, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমদি মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিংগী ৱারী য়াওরি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুক্নিং-ঈথিল পীবা য়াবা ৱারীশিং ৱেব সাইট অসিদা থাগৎপিরকপা য়াগনি। খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা মীওই পুম্নমকপুসু মহাক্না থাগৎখি।

সী এম সেক্রেটরিয়েটতা পাঙ-থোকখিবা থৌরম অদুদা ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বাজিৎ, সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যাম, পি ঐচ ঈ দি মিনিষ্টর লোসি দিখো, ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই, চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেস বাবু, দি জি পি, এল এম খৌতে, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ) ভি ভুমলুনমাং, রিমসকী দিরেক্টর, জেনিমসকী দিরেক্টর অমদি অতৈ কয়াসু শরুক য়াখি। ফ্লোরেন্ট কম্যুনিকেসন্সনা দিজাইন তৌবা ৱেব সাইট অসি দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রনা মেনেজ তৌবনি।

# জিরিবামগী কোভিদ-১৯গী নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অদু লোকল ট্রান্সমিসননি, নক্নরম্বশিং য়েংশিনবগী থবক চত্থরি : হেল্থ দিরেক্টর

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): জিরিবামদা পুলিস পর্সনেল অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রবা মতুংদা পূন্না মীওই ২৮ পোজিটিভ ওইরম্বগী নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অদু লোকল ট্রান্সমিসননি। মখোয়গা নক্নরম্বশিং য়েংশিনবগী থবক চত্থরি হায়না হেল্থ দিরেক্টর ডা. কে রাজোনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলদা লৈবা হেল্থ সর্ভিসেসকী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা ডা. কে রাজোনা হায়খি,



জিরিবামদা পুলিস পর্সনেল অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মতুংদা মহাক্না থবক তৌমিন্নবা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনগী পর্সনেল কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বগী থৌদোক অসিনা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন লৈরে হায়না লৌবা য়ারোই। মণিপুরদা হৌজিক কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন লৈতে। মফম খঙদনা পাক-শন্না লায়না অসি শন্দোরকপা তারবদি কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন ওইনা লাক্কনি। জিরিবামগী কেস অসি লোকল ট্রান্সমিসননি। জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনগী অকোয়বা মফমশিং চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা পোজিটিভ ওইরবা পর্সনেলশিং অসিগা নক্নরম্বা মীওই কয়া য়েংশিনবগী থবক য়াম্না কন্না চত্থরি। মণিপুরদা কোভিদ-১৯দগী ফগৎলকপগী চাংসু য়াম্না ৱাংলি। ঙরাং ফাওবদা কোভিদ-১৯গী কেস অসি ১৩১৬ নি। মসিগী মনুংদা এক্টিভ কেসনা ৬৭৭ নি। ফগৎলকপগী চাং অসি চাদা ৫০ রোম য়ৌরে। কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা চেকশিন-থৌরাং কয়া চত্থরি। রেদ জোনদগী হল্লকপা লমদমসিগী মীওই কয়া অমসু য়াওবনা কোভিদকী পোজি-টিভ মশিং অসি হেনগৎলকখিবনি।

...মখা লামায় ৩ কলম ২

HL-C/170/1-31/7


### সঁন্দ্রেম্বা / খঙহঞ্জবা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা হুইয়েন লানপাউনা খুদোংচাবা খরা মীয়ামদা পীজরি।

- লুপা ৫০০/- দগী ১০,০০০/- গী মনুংদা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা মাস্ক, হেন্দ গ্লোব অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা পীজগনি।




- লুপা ১০,০০০/- গী মথক্তা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা পি পি ঈ কিট অমমম পীজগনি।



NB: ওফর অসি জুলাই ৩১ ফাওবা চৎনগনি।